# লোকদাউন মাংওইননা ট্রান্সপোর্ট সর্ভিস লেপখিবদগী মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লুরে



ধাকা, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
বংলাদেশতা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অমুক হন্না শন্দোরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লোকদাউন থল্লবা য়ানা লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সেক্তরশিং মথৌ তৌবা লেপখিবদগী মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লুরে।

ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটাগী কেস ৮,৩০০ বংলাদেশতা থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা হৌখিবা নোংমাইজিং অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎ খক্তদা মীওই ১১৯ শিহনখি। মসিনা মরম ওইরগা বংলাদেশতা লোকদাউন থমজিন্নবা ওথোরিটিনা ফিরেপ লৌখিবনি।

অদুমওইনমক লোকদাউন হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সেক্তরশিং থবক লেপখিবদগী মীওই কয়া ময়ুম হন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরি। মীওই খরদি মখোঙনা কিলোমিটর ১০০ হেন্না চত্তুনা ময়ুম য়ৌনবা হোৎনরি।

বংলাদেশ গভর্ণমেন্টকী কেবিনেট সেক্রেটরি খানকর অনৱারুল ইস্লামনা ফোঙদোকখিবদা শগোলশেন নুমিত্তগী লৈবাক অসিদা লোকদাউন থল্লগনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদগী হৌরগা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আর্মীশিং দিপ্লোয় তৌরগনি। লোকদাউনগী চৎনা কালোনশিং ঙাক্লা চৎনহন্নবগীদমক সেক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরু ওইবা লম্বীশিংদা নুমিৎ খুদিংগী পেট্রোলিং চৎকনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা পীরিবা ওর্দর অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরম্বা মীওই থেংনরবদি মহাক্কী মথক্তা লিগেলগী ওইবা চপ চাবা এক্সনশিং লৌখৎকনি।

বংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা শিন্মী কয়া থবক শুদুনা নোংমগী খূৎশুমন তাল্লি। অদুবু খঙহৌদনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সেক্তরশিং মথৌ তৌবা লেপখিবনা মরম ওইরগা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ১০,০০০ হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লুরি। ময়ুম হন্নবা হোৎনবদা অঙম অঙম্বা উপাই শীজিন্নবগী ফীভম অমদা লাক্লি।

ফেরি তোংদুনা লাকখিবা কাঙবুশিং অমুক হন্না ফেরি তোংদুনা হন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুরি। মীয়ামশিং অদুনা অফংবা ফেরিদা তোংনবা হোৎনবদা অমগা অমগা কৃক কৃক ইন্নরি।

# ৱাশিংটন এয়রষ্ট্রাইক মতুংদা ইরাননা বেক তৌবা ফাইটরশিংনা লমন খুন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
ইরাক অমসুং সিরিয়াগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা লৈবা ইরাননা বেক তৌবা খূৎলাই পায়বা রেবেলশিংগী কেম্পশিংদা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রবা মতুং খূৎলাই পায়বশিংনা য়ু এসকী মথক্তা লমন খুন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

য়ু এস মিলিটরিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা সিরিয়াদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী বেজ অনী অমসুং ইরাকতা লৈবা বেজ অমদা দ্রোন এটেক চথখিবনি। লালহৌবশিং অদুনা লৈরিবা মফমশিং চপ চানা খঙদোক্লবা মতুং মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং অশোক অপন নংহন্দনবা মওংদা এটেক অদু চথখিবনি। য়ু এসনা চথখিবা দ্রোন এটেক অদু চাওনা মায় পাকখি হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা রোমদা ঙসি পাউমীশিংগী মমাংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসনা চথখিবা দ্রোন এটেক অদুদা ইরাননা বেক তৌবা লাহৌবশিংগী মকোক থোংবা মীওই ৪ সু হাৎখি। মখোয়না হাৎখ্রবা লালহৌবা লুচিংবশিং অদু কটাব সয়াদ অল-সুহাদার ফেক্সনগী মেম্বরশিংনি। অমরোমদা য়ু এস অমসুং ইরান অনীগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অদুগী মতাংদা য়ু এসনা ইরাক পুশিল্লকখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইরাককী ঙমখৈ শরুক্তা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবা অদু মরম চাদে। মদুগী মতাংদা লিগেল ওইনা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক থিজিনবা হৌখ্রে। মতুং তাবদা ইরাকতা অসিগুম্বা পামদবা থৌওংশিং অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি।



ইরাক মিলিটরিনসু য়ু এস ষ্ট্রাইক অদুবু পেন দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এসকী থবক থৌওংশিং অদুনা লৈবাক মশেলগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবা থোকহল্লকপা য়াই হায়রি। ইরাক অমসুং য়ু এস মিলিটরি মরক্তা হান্নদগী হৌনা অফবা মরী থমদুনা লাক্লি। য়ু এস অমসুং ইরাককী মিলিটরিগা লৈনরিবা মরী অসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা সুনি এক্ষ্ট্রিমিস গ্রুপ ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থিবা পীনবা হোৎনবনি। মসি নত্তবা অতোপ্পা থবক থৌরমশিংদা য়ু এসনা ইরাককী ঙমখৈ শরুক্তা মনীং তম্লা থবক তৌরকখিবা অসি অরানবা থৌওংনি হায়রি।

জো বাইদেননা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইরকখ্রবা মতুং ইরাকতা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা অনীরকশুবনি। ইরাননা বেক তৌবা মিলিসিয়াশিংনা ইরাকতা লৈবা য়ু এস মিলিটরি বেজশিংদা য়াম্না তোয়না এটেক চথরকখিবা অদুগী লমন খুন্বা ওইনা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবনি হায়রি। হৌখিবা এপ্রিল থাদগী হৌরগা য়ু এসনা শীজিন্নরিবা ফেসিলিটিশিংদা ইরাননা বেক তৌবা মিলিসিয়াশিংনা দ্রোন এটেক ৫ রক চথরকখি। ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈরিবা য়ু এস বেজশিংদা ইরাননা বেক তৌবা মিলিসিয়াশিংনা য়াম্না তোয়না এটেক চথরকপনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল রিভাইব তৌহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লকপা য়াই হায়না য়ু এসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## হোং কোংদগী য়ু কেদা পাইগদবা অমদি পাইরক্কদবা ফ্লাইট কেন্সেল তৌখ্রে

হোং কোং, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ কিংদমদা কোভিদ-১৯ দেলটা ভেরিয়েন্টকী চৈথেং লাকপা হৌখ্রবা মতুং হোং কোংনা লৈবাক অদুদগী য়ু কেদা পাইগদবা অমদি য়ু কেদগী লাক্কদবা ফ্লাইট খুদিংমক জুলাই ১ দগী হৌরগা কেন্সেল তৌখ্রে।

য়ু কেদা হৌজিক হৌজিক দেলটা ভেরিয়েন্টনা অকনবা চৈথেং পীবা হৌখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসি লৈবাক অদুদা থুনা য়াঙনা শন্দোরকপগী পাউশিং মালেমগী লৈবাকশিংনা তান্নরি। মসিনা মরম ওইরগা হোং কোংদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবগী পান্দমদা য়ু কেদগী পাইরক্কদবা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌনবা হোং কোং ওথোরিটিনা ফিরেপ লৌখিবনি।

হোং কোংদা নুমিৎ ১৬ নি কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস অমত্তা থেংনখিদ্রবা মতুং মমাং চয়োলদা দেলটা ভেরিয়েন্টকী কেসশিং য়াওনা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস খরা থেংনখিবনি। অনৌবা কেসশিং অমুক হন্না থেংনখ্রবা মতুং হোং কোং ওথোরিটিনা লৈবাক অদুদা লোকদাউনগা মান্নবা অথিংবশিং থমজিনবা হৌখ্রবনি। হোং কোংনা য়ু কেগী মমাংদা ফিলিপিন্স, ইন্দোনেসিয়া, ইন্দিয়া, নেপাল অমদি পাকিষ্টানদগী মীওইশিং লৈবাক অদুদা চঙলকপদা অথিংবা থমখ্রবনি।

## রসিয়াদা কোভিদকী কেস মশীং খঙহৌদনা হেনগৎলখ্রে

মোস্কো, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা রসিয়াদা অকনবা মওংদা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা শোকহল্লবা মীওই ১,৫১,০০০ হৌজিক হৌজিক রসিয়াগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা ট্রিটমেন্ট চথরি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর মিখেল মুরাকোনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা অহুমশুবা ৱেভকী থোঙ হাংদোকপা হৌরক্লে হায়রি।

রসিয়াগী কোনুং মোস্কো অমদি সেন্ট পিটর্স বর্গতা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবনি। রসিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী কেস খঙহৌদনা হেনগৎলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লাক্লে।

লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগীদমক রুসিয়ন গভর্ণমেন্টনা হোস্পিটাল বেদ ১,৮২,০০০ শেম শাদুনা থল্লি। মদুগী মনুংদা ফম্মুং ১,৫১,০০০ দি পেসেন্টশিং লৈখ্রে। চয়োল অসিদা খঙহৌদনা লায়চৎ অসি শন্দোরকখিবগা মরী লৈননা রসিয়াগী মরু ওইবা অচৌবা সিটিশিং লোকদাউন থমজিনখ্রবনি। মখা তানা লৈবাক পুম্বা লোকদাউন থমজিল্লকপা য়ানা লৈরি।

## কানাদাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৬.৬ য়ৌনা নুংশা শাখ্রে

ওটাৱা, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
কানাদাগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৬.৬ য়ৌনা শাখ্রে অমদি লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী শাবা নুমিৎ ওইখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সেনিয়র ক্লাইমেটোরোজিষ্ট দেবিদ ফিলিপনা ফোঙদোকখিবদা কানাদা অসি মালেমগী ওইনা অনীশুবা খ্বাইদগী ঈংবা অমদি উন য়াম্না তাবা লৈবাক অমা ওইরিবনি। লৈবাক অসিদা করম্বা মতমদা নুংশা শারগদগে হায়না মীপুম খুদিংমক্লা ৱারী শান্নরিবা লৈবাক অমনি। অদুবু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অদুগী শরুক খরদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৬.৬ য়ৌনা শাখিবা অদুনা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা অঙকপা পোকহনখ্রে। ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরকপা অচৌবা চৈথেংশিংগী মনুংদা মসিসু অমনি হায়না দেবিদনা মখা তাখি।

## ‘থাঙনা এটেক চথদুনা মীওই ৩ শিহনখিবগী থৌদোক ইস্লামিষ্ট টেরোরিষ্টকী থৌওং ওইরম্বা য়াই’

বর্লিন, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
মমাং চয়োলদা জর্মনগী মনুং চনবা ৱুর্জবর্গকী খা থংবা শরুক্তা সোমালি নুপা অমনা থাঙনা এটেক চথদুনা নুপী অহুম হাৎখিবা অমদি খরানা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদু ইস্লামিক টেরোরিষ্টকী থৌওং ওইরম্বা য়াই হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন ওফিস অমসুং বাভারিয়ান ষ্টেট প্রোজিক্যুটর অনীনা পুন্না থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ইস্লামিষ্ট টেরোরিষ্টনা চথখিবা থৌওং মানবা কেস অসি বাভারিয়ন সেন্ট্রেল ওফিস ফোর এক্সট্রিমিজম এন্দ টেরোরিজমদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ২৪ রোম শুরবা সোমালিয়ন অসিনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ৱুর্জবর্গতা নুপী অহুম থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবগা লোয়ননা ৬



অমনা শাথিনা শোকহনখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দগী জর্মনদা লৈরকখিবা মীওই অমনি।

মহাক্লা মী য়াম্না তিনবা পোৎ চৈ য়োনফম মফম অমদা চঙশিল্লক্লগা খঙহৌদনা নাকলদা লৈরম্বা নুপীশিং অদু থাঙনা থিল্লগা হাৎখিবনি। মদুগী মতুং পুলিসনা মহাকপু ওভর পৱার তৌদুনা ফাখিবনি। ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থিগৎখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অসি হৌজিক হৌজিক সাইকিয়াত্রিক ইন্সটিট্যুসন অমদা ট্রিটমেন্ট চথরিবা মীওই অমনি হায়রি। জর্মনগী চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেলনসু থৌদোক অদুবু য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজ ২মক কাপখ্রবা ইন্দিয়নশিং স্বিটজরলেন্দদা চঙলকপদা অয়াবা পীখ্রে

জ্যুরিচ, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা স্বিটজরলেন্দদা চঙবদা অথিংবা থল্লকখিবা অদু কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজশিং মপুং ফানা কাপ্লবা ইন্দিয়নশিংগী ওইনদি অথিংবা অদু কোমথোক্লে হায়না স্বিটজরলেন্দগী ফেদরেল কাউন্সিল ওফ পব্লিক হেল্থনা ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মতম শাংনা ইন্দিয়াদগী লাক্কদবা মীওইশিং লৈবাক অসিদা চঙহন্দনা লাকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরম্বা লল্লোন ইতিক্কী থবক থৌরমশিংদা চাওনা অকায়বা পীবা হৌরকখি। মরু ওইনা ইন্দিয়াদা হন্দক্তা অকনবা চৈথেং পীখিবা লৈবাক অদুদা ইহান হন্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা মরম ওইরগা অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু অচৌবা চৈথেং পীরকখি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং লৈবাক অসিদা চঙহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অদুমওইনমক কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজ মপুং ফানা কাপ্লবশিংদি লৈবাক অসিদা লাকপদা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা শোথদুনা লৈরুরবা লল্লোন ইতিক্কী থবকশিং অমুক হন্না হিংগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 182,188,179 | +317,499 | 3,945,762 | +6,287 | 166,740,673 | 11,501,744 |
| 1 | USA | 34,511,636 | +10,754 | 619,595 | +137 | 28,962,849 | 4,929,192 |
| 2 | India | 30,316,000 | +37,037 | 397,668 | +907 | 29,359,208 | 559,124 |
| 3 | Brazil | 18,448,402 | +27,804 | 514,202 | +658 | 16,673,329 | 1,260,871 |
| 4 | France | 5,770,530 | +509 | 111,012 | +44 | 5,608,967 | 50,551 |
| 5 | Russia | 5,472,941 | +21,650 | 133,893 | +611 | 4,969,340 | 369,708 |
| 6 | Turkey | 5,414,310 | +5,283 | 49,634 | +58 | 5,280,558 | 84,118 |
| 7 | UK | 4,755,078 | +22,868 | 128,103 | +3 | 4,319,199 | 307,776 |
| 8 | Argentina | 4,423,636 | +18,389 | 93,142 | +574 | 4,046,308 | 284,186 |
| 9 | Italy | 4,258,456 | +389 | 127,500 | +14 | 4,076,274 | 54,682 |
| 10 | Colombia | 4,187,194 | +28,478 | 105,326 | +648 | 3,880,261 | 201,607 |
| 11 | Spain | 3,792,642 | +3,332 | 80,789 | +4 | 3,591,599 | 120,254 |
| 12 | Germany | 3,734,812 | +340 | 91,336 | +23 | 3,620,800 | 22,676 |
| 13 | Iran | 3,180,092 | +12,351 | 83,985 | +140 | 2,848,042 | 248,065 |
| 14 | Poland | 2,879,688 | +51 | 74,979 | | 2,651,681 | 153,028 |
| 15 | Mexico | 2,505,792 | +2,384 | 232,564 | +43 | 1,990,610 | 282,618 |
| 16 | Ukraine | 2,234,281 | +285 | 52,295 | +9 | 2,163,792 | 18,194 |
| 17 | Indonesia | 2,135,998 | +20,694 | 57,561 | +423 | 1,859,961 | 218,476 |
| 18 | Peru | 2,049,567 | +1,452 | 192,163 | +264 | N/A | N/A |
| 19 | South Africa | 1,941,119 | +12,222 | 60,038 | +138 | 1,723,882 | 157,199 |
| 20 | Netherlands | 1,683,828 | +557 | 17,741 | | 1,626,958 | 39,129 |
| 21 | Czechia | 1,666,958 | +56 | 30,298 | | 1,635,391 | 1,269 |
| 22 | Chile | 1,551,137 | +4,034 | 32,454 | +156 | 1,489,537 | 29,146 |
| 23 | Canada | 1,414,134 | +931 | 26,238 | +11 | 1,380,108 | 7,788 |
| 24 | Philippines | 1,403,579 | +5,595 | 24,456 | +84 | 1,326,993 | 52,130 |
| 25 | Iraq | 1,332,046 | +6,346 | 17,121 | +30 | 1,235,923 | 79,002 |
| 26 | Sweden | 1,089,743 | +523 | 14,588 | | 1,054,558 | 20,597 |
| 27 | Belgium | 1,083,384 | +92 | 25,165 | +1 | 1,025,525 | 32,694 |
| 28 | Romania | 1,080,667 | +37 | 33,599 | +1 | 1,045,351 | 1,717 |
| 29 | Pakistan | 955,657 | +914 | 22,231 | +20 | 901,201 | 32,225 |
| 30 | Bangladesh | 896,770 | +8,364 | 14,276 | +104 | 807,673 | 74,821 |
| 31 | Portugal | 875,449 | +902 | 17,086 | +2 | 826,292 | 32,071 |
| 32 | Israel | 841,196 | +308 | 6,430 | +1 | 833,329 | 1,437 |
| 33 | Hungary | 808,042 | +132 | 29,989 | +9 | 738,391 | 39,662 |
| 34 | Japan | 795,827 | +1,355 | 14,670 | +13 | 763,364 | 17,793 |
| 35 | Jordan | 750,389 | +605 | 9,737 | +10 | 734,140 | 6,512 |
| 36 | Malaysia | 739,266 | +5,218 | 5,001 | +57 | 672,453 | 61,812 |
| 37 | Serbia | 716,385 | +84 | 7,039 | +8 | 707,221 | 2,125 |
| 38 | Switzerland | 702,746 | +239 | 10,885 | +3 | 682,154 | 9,707 |
| 39 | Austria | 650,324 | +63 | 10,700 | | 637,545 | 2,079 |
| 40 | Nepal | 635,188 | +1,509 | 9,051 | +42 | 588,187 | 37,950 |
| 41 | UAE | 628,976 | +2,040 | 1,802 | +6 | 607,606 | 19,568 |
| 42 | Lebanon | 544,520 | +66 | 7,845 | +2 | 532,287 | 4,388 |
| 43 | Morocco | 529,895 | +219 | 9,283 | +6 | 516,529 | 4,083 |
| 44 | Saudi Arabia | 484,539 | +1,318 | 7,789 | +14 | 465,546 | 11,204 |
| 45 | Ecuador | 455,743 | +1,407 | 21,523 | | 423,688 | 10,532 |
| 46 | Bolivia | 433,935 | +922 | 16,581 | +30 | 354,569 | 62,785 |
| 47 | Bulgaria | 421,646 | +115 | 18,040 | +13 | 394,242 | 9,364 |
| 48 | Greece | 421,266 | +361 | 12,663 | +8 | 404,086 | 4,517 |
| 49 | Kazakhstan | 419,800 | +1,628 | 4,316 | +10 | 392,777 | 22,707 |
| 50 | Paraguay | 419,764 | +1,434 | 12,641 | +124 | 365,361 | 41,762 |

## ইজরেলগী ফোরেন মিনিষ্টর অহানবা ওইনা য়ু এ ঈদা থুংখ্রে

দুবাই/জেরুসালম, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
ইজরেলগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট অমসু ওইরিবা ফোরেন মিনিষ্টর য়াইর লিপিদ য়ুনাইটেদ অরব ইমাইরেটতা অহানবা ওইনা থুংখিবগা লোয়ননা য়ু এ ঈগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবগী মতাংদা ৱারী শাবা হৌখ্রে হায়রি।

য়ু এ ঈগী লুচিংবশিংগা উন্নরবা মতুং লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখিবদা মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা ইজরেল অমসুং য়ু এ ঈগী মরক্তা য়েৎনবা য়াবা থৌদোক খরা থোকখি। থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা নাকল অনীগী ওইবা ৱারী শান্নরবা মতুং হান্না লৈরম্বা চয়েৎনবশিং অদু পাউ ফাওদোক্লখ্রে। মখা তানা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি।

য়ু এ ঈগী মকোক থোংবশিংনসু ইজরেলনা হৌদোরকখিবা ৱাফম কয়া তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা থবক থৌরমশিং চাওখৎহন্নবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি। ইজরেলদা হান্না পৱার পায়রম্বা বেঞ্জামিন নেটান য়াহুগী মতমদা ইজরেল অমসুং য়ু এ ঈগী মরী কা হেন্না ফৎলমদে।

অদুমওইনমক জ্যু নেস্লেলিষ্ট নপটালি বেনেটনা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরকখ্রবা মতুং হান্না লৈনরম্বা য়ানদবশিং অদু লোইশিন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈহন্নবা হোৎনরকখিবনি। লৈবাক অনীগী লুচিংবশিং জুলাই থাগী অরোইবদা অমুক হন্না উন্নরবা য়ানা লৈরি হায়রি।

## ফ্লোরিদা বিল্ডিং নীংখাইখিবগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংনরক্লি

ন্যু য়োর্ক, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
মিয়ামিদা লৈবা মথোল ১৪ ৱাংবা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমা নিংখাইরক্তুনা মীওই ১০ শিহনখিবা অমদি কয়া অমনা অশোক অপন থোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী ৱাহং হংনরক্লি।

এক্সপার্টশিংনা বিল্ডিং নিংখাইখিবা অদুগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক য়াম্না কন্না থিজিনবগী থবকশিং চথরি। মিয়ামি সমুদ্র খোঙবাল নক্লা লৈবা বিল্ডিং নিংখাইখিবা অদুনা মরম ওইরগা মনাক নক্লা লৈবা বিল্ডিংশিংদা লৈহৌরবা মীওইশিংগী পুক্নিংদা চিংনবা অমদি তংদু লৈতাদবা কয়া পোকহল্লে।

বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক অদুদা মীওই ১০ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু মখা তানা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। অশিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা মখা তানা লৈরি। হৌজিক হৌজিকসু বিল্ডিং অদুদা লৈ হায়না থাজবা মীওই কয়াগী মতাংদা মরী মখোঙ খঙদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু অতোপ্পা মফমদা চৎখিব্রা নৎত্রগনা বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক থোকপা মতমদুদা বিল্ডিংদা লৈখিব্রা হায়বগী মতাংদসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। করিগুম্বা হায়রিবা মীওইশিং অদুসু বিল্ডিংদা লৈরম্বা তারবদি মখোয় শিরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা মথোল ১৪ ৱাংবা বিল্ডিং অমা খঙহৌদবা মতম অমদা নিংখাইরক্তুনা অমাং অতা থোকহনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ৱাহং কয়া হংনরক্লি। ইঞ্জিনিয়রশিংনা শোয়বদগী থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

## সিজফায়র লাউথোকখ্রবসু টিগ্রে রেবেলশিংনা মখোয়গী য়েক্লবশিং মপুং ফানা মফমদুদগী তকথোক্লবা ৱাশক শকখ্রে

অদিস অবাবা, জুন ২৯ (এজেন্সী) :
ইথিয়োপিয়াগী লালনা শোকহল্লবা টিগ্রেদা লৈরিবা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) না ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা সিজফায়র লাউথোকখ্রবা মতুং মফমদুদা লৈরিবা মখোয়গী য়েক্লবশিং মপুং ফানা তকথোক্লবা ৱাশক শকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টি পি এল এফকী ৱাঙাঙলোয় গেটাচ্যু রেদানা ফোঙদোকখিবদা টিগ্রেগী খা অমসুং নোংপোকথংবা শরুকশিং ফ্রন্ট অসিনা মপুং ফানা হান্নদগী কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি। টিগ্রেদগী ইথিয়োপিয়ন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং হন্দোকপা হৌখিবগা লোয়ননা টিগ্রেগী শরুক অয়াম্বা টি পি এল এফনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউ চেশিংনা ইথিয়োপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, মিলিটরিগী ৱাঙাঙলোয় অমসুং টিগ্রেদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ইমর্জেন্সি টাক্স ফোর্সকী মকোক থোংবশিংগা পাউ ফাওননবা হোৎনবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি রেপোন্স অমত্তা পীরকপা লৈত্রি। ইথিয়োপিয়ন গভর্ণমেন্ট ফোর্সকা চৎমিন্নরম্বা ইরিট্রিন ফোর্সশিংসু টিগ্রেদগী লৌথোকপা হৌখ্রে।

টি পি এল এফনা ইথিয়োপিয়া গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি মখোয়গী এলাইদশিং তপ্না তপ্না তকথোকপা



ঙমখিবগা লোয়ননা মতম খরগী মনুংদা টিগ্রে পুম্বা ফ্রন্ট অসিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লগনি হায়রি। ইথিয়োপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা টিগ্রেদা লৈরিবা টি পি এল এফ গভর্ণমেন্টপু ইন্থুনবগীদমক ফেদরেল ত্রুপশিং মমাং চহীগী নবেম্বর থাদা থাজিনখিবনি।

থা ৮ লোম টিগ্রেদা গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টি পি এল এফকা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মফম অদুগী মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনখিবগা লোয়ননা অশি অনা কয়া থোকহনখ্রে।

কয়া অমনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর অবিনা টিগ্রেদা ইন্তরিম রিজনেল গভর্ণমেন্ট অমা শেমখিবা অদু হৌজিক্তি টি পি এল এফকী মখুত্তা চাওনা মায়থিবা নংখ্রে। মদুগী মতুং হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অবি গভর্ণমেন্টনা মফম অদুদা সিজফায়র লাউথোকখিবনি। অবিগী মায়কৈদগী সিজফায়র লাউথোকখ্রবসু টি পি এল এফকী ওইনদি মখোয়গী য়েক্লবশিং অদু মফমদুদগী তকথোক্কনি অমদি টিগ্রেগী মীয়ামবু ঙাক শেনবা হায়বসি মখোয়গী মথৌনি হায়না ফোঙদোরক্লি।